# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-07-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ককচিং জিলাগা ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ৱাংঙু সদংখোঙ এরিয়াদগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদরনি হায়বা মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংপাল কোংখাম লৈকাইদগী কে.সি.পি. (সিতি মীতৈ) গী কাদরনি হায়বা মীওই অমসু ঙরাং ফাখি।

থৌবাল বজারদগী য়ু.এন.এল.এফ (পি) গী কাদর অনি অমসু ঙরাং ফারে। মখোয় অনৌবা কাদরশিং রিক্রুইট তৌবদা চেন্নবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অখাম, লমদেং লম্বী পরিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল গন মরি, নাইন এম.এম. পিষ্টোল মরি, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমদি নোংমৈ মরু কয়া য়াওরি।

উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সংকাই ভিলেজ অমসুং মোংকোট চেপু ভিলেজ এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিব হুম্বগী থবক চত্থবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা লোকেল মেদ পোম্পী গন অমা, ইমপ্রোভাইস মোটার সেল অমসুং আই.ই.দি. অমা, টুয়েল্ভ বোর রাইফল অমা অমদি তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরুশিং য়াওরি।

মরক অসিদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ গী পাৎশোই লমখাইদা হাংবা ৱার্কশোপ অমদা ঙরাং রেড চত্থবদা ৱার্কশোপ অদুদা খাল্লম্বা গাড়ি অমদগী সাপোন কেপ ৩০ দা হাপ্লম্বা ব্রাউন্দ সুগর গ্রাম ৩৪৬ ফাগৎলে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱার্কশোপ অদুগী মপু অনি ফাগৎলে।

চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা এন.দি.এন.পি.এস. এক্টকী মখাদা রেজিস্তার তৌখিবা এফ.আই.আর. কেস অমগী মখা তানা থিবা হুন্নবগী থবক চথরকপদা চুরচান্দপুর জিলাগী গৌচীংখুপ ভেং ন্যু লমকাদগী নুপী অমা ফারে। মীওই অসিদগী দ্রগ লল্লোনবগা মরী লৈননা লুপা লাখ ২৮ হেনবগী শেনফম ফাগৎলে। ফারবা মীওই অসি ম্যান্মারদগী দ্রগ লৈননবা শেনফম কয়া থাদোক থাজিন তৌবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মঙোন্দগী কেস রেজিস্তার মঙা অমসুং শেল থিননবা মেছিন অমসু ফাগৎলে।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা হুরানখিবা মহিন্দ্র বোলেরো গাড়ি অমা চুরাচান্দপুর টাউন্দ এরিয়াদগী ফংলে হায়রি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা হৈরাঙ্গোই থোং হায়স্কুলগী নৌনা শাবা লাইব্রেরী বিল্ডিং অমা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা শঙ্গাগনি।

থৌরম অসিদা এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এন.জি. ভোগেন্দ্রো মীতৈসু শরুক য়াগনি।

**কার্গিল (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকবগুম রাজ্য অসিদসু ঙসি কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি। রাজ্য সরকারনা শিনদুনা থৌরম অসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা অমদি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ শরুক য়াগনি।

**অসামঃ** অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা হায়রি-ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী

হেলিকোপ্তরশিং শিজিন্নদুনা ঈচাওনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীরি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীয়ামদা মখা তানা অহেনবা তেংবাং পীননবা সরকারনা হোৎনরি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৬ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

**প্রহাদ ঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-প্রহাদ যোসিনা অনৌবা শিক্ষা মন্ত্রি ওইরে। ধমেন্দ্র প্রধাননা শিক্ষা মন্ত্রিগী ফম থাদোকপদগী শ্রী প্রহাদ যোসিনা ফম অসি পায়বনি।

শ্রী যোসিনা হৌজিক পুরিবা অতৈ ফমগী মথক্তা শিক্ষা মন্ত্রালয়গী চার্জ পুরগনি। হৌজিক হৌজিক শ্রী যোসি কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন অমসুং ন্যু এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জিগী মন্ত্রি ওইরি।

ধমেন্দ্র প্রধাননা ফম থাদোকখিবদু রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা অয়াবা পীখিবদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**বিল ঃ** সরকারনা লোক সভাদা হয়েং পব্লিক ইগজামিনেসন্স (প্রিভেন্সন ওফ অনফিয়ার মিন্স) এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৬ পুথোক্কুনা খন্নগনি।

বিল অসিনা পব্লিক ইগজামিনেসন্স প্রিভেন্সন ওফ অনফিয়ার মিন্স এক্ট

২০২৪ শেমদোক্কনি। মসি কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংনা সভাদা পুথোক্কনি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা তোঙান তোঙানাব পরিক্ষাশিং লান্না চথবা অমদি ক্কেইসন পেপর লিক ওইবগা মরী লৈনবা কেসশিংদা অহকপা চৈরাক পীনবগীদমক ফাষ্ট ত্রেক কোর্টশিং লিংখৎনবগী অয়াবা পীবা লৈখ্রবনি।

**সি.জে.পিঃ** সি.জে.পিগা সরকারগা য়ানবা পুরকপদগী মখোয়গী খোঙজং হন্দোকখ্রে । কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি নদ্দা অমসুং ডা.জিতেন্দ্র সিংহগা ঙরাং অহুম্লক শুবা ওইনা সি.জে.পিগী মীহুৎশিংগা উন্নবা অদুদা পরিক্ষা পাঙথোকপগী মওংদা অহোংবা কয়া পুরকবা অমসুং তুংদা মখা তানা ক্কেইসন পেপর লিক ওইহন্দনবা খোঙথাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমবা ৱাফমশিংদা মরুওইনা খন্নখি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা সরকারনা খোঙজং চংশিল্লিবা মীওইশিংদা করিগুম্বা মখলগী থবক অমত্তা লৌখৎলরোই, মখোয়গী মথক্তা এফ.আই.আরশিংসু রেজিস্তর তৌররোই হায়রি।

মশা মথন্ত শিজিখিবা মহৈরোইশিংগী ইমুং মনুংশিংদা ক্ষেত্রিপুরোন পীবগী ৱাফমগী মতাংদা শ্রী নদ্দানা হায়-সরকার অসিনা মখোয়গীদমক থম্মোয় শোকা নুঙাইতবা ফাওই অমসুং সরকারগী নিয়ম নিতি খরা য়েংলগা মখোয়দা পীবা য়াবা ক্ষেত্রিপুরোনশিং পীগনি।

**ফরটিলাইজরঃ** কেন্দ্রগী কেমিকেল অমসুং ফরটিলাইজ মন্ত্রি-জে.পি.নদ্দানা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লাঘু উদ্যোগ ভারত্তি ফারমা কনক্লেপ ২০২৬ হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা জে.পি. নদ্দানা ভারতকী ফারমাসিতুকেল সেক্তরনা ইনোভেসন, মীয়ামদা থবক পীবা অমদি অনা লায়েংগী লমদা চাউনা মতেং পাংলি। মহাকা হায়-মালেমগী লৈবাক ২০০ হেনবদা জেনরিক হিদাকশিং খ্বাইদগী হেন্না সপ্লাই তৌবদা লৈবাক অসিনা মাংজিল থারি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এদুকেসন মিনিস্তর-ধমেন্দ্র প্রধান রিজাইন তৌখ্রে, দিমান্দশিং পীরগনি হায়বদগী খোঙজং হন্দোকখ্রে। প্রহ্লাদ যোসিদা এদুকেসন মিনিস্তরগী চার্জ শিজিন্নখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলইন তৌদুনা ফোংনরি।

মনিপর্গী ইরাং চহি অহুম হেল্লবসু এস.আই.টিনা কেস চাদা ১০ খক্তমক লোয়শিল্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-ইরাং চাউথোকহনবগী মতাংদা কোনরাদ হায়বা কেপসন অসিগী মখাদা ম্যান্মারগী ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মাউন্ট ইসো কাবদা অয়াবা লৌবা মথৌ তাদে হায়না সোংসোং ভিলেজ ওথোরিতি, মাওনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-হৌজিক এন.দি.এদা বি.জে.পিগা চৎমীন্নরবসু মীখল মমাংদা প্রি-পোল এল্লাইয়েন্স তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়না মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রিসু ওইরিবা এন.পি.পিগী লুচিংবা কোনরাদ সংমানা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-মফম কয়াদা ইরাং হৌরকপদগী মরিমক থাদোকখ্রে। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী এ.আরনা মরি ফাখিবদগী ইরাং হৌরকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। দুরান কপনা ফুরুপশিং পুনশিনবদা মতেং ওইগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মীচম ফাবগী মায়োক্তা উখ্রুলদা ইরাং হৌরকখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। লুপ ১৪ না এন.পি.পিগী লুচিংবা কোনরাদ সংমাদা এন.আর.সি. অপদেদ তৌবদা মতেং

পাংবীনবা হায়জখ্রে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-ম্যান্মারদা দ্রগ লল্লোনবগা মরী লৈননা শেল থাদোক থাজিন তৌবদা চেন্নবনি হায়বা নুপী অমা ফারে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় অমদি মীওই কয়া ফাগৎলে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।